# সনালৈবাক স্পোর্টস

WEDNESDAY, JANUARY 29, 2014, PAGE 7




ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ানবা হোৎনগনি হায়না আশা তৌরিবা কলম্বীয়াগী ষ্ট্রাইকর রাদামেল ফালকো

ওকলাহোমা সিটিগী কেভিন দুরান্টনা অটলান্টা হোককি অকনবা মায়োক্তা বোল পুশিন্নবা হোৎনখিবা



## ন্যু জিলেণ্ডনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে





*হেলমিলতোন, জনুৱারি ২৮ঃ*

ইন্দিয়া টুর মেটচ ওইনা ন্যু জিলেণ্ডদা চত্নুনা লৈবাক অসিগা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৫ শান্নগদবদা মেটচ ৪ শান্নবা লোইখ্রে। মেটচ অমনা ড্রো ওইরগা মেটচ ৩ ন্যু জিলেণ্ডনা মায় পাকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা ও দি আই মেটচ অদুদা য়ুম্ব ওইরিবা ন্যু জিলেণ্ড টিম্না ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা ওভর ৫০ মপুং ফাবদা রন ২৭৯ লৌখি। ইন্দিয়াগী ওইনা পুন্না ৱিকেট ৫ খক তুখি। রোহিট শর্ম্ম অমদি বিরাট কোহলিনা ওপনর ওইনা শান্নবা হৌখি। লাইবকথীবদি ইন্দিয়াগী বিরাট কোহলি শুপ্নগী রন ২ খক্তমক ঙাইরিঙৈ মতমদা আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়ানা ওভর ৩.২ দা রন ৫ খক্তমক লৌরি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট অদুসু য়াম্না ঙন্না তুখি। বিরাট কোহলি থুখ্রবা মতুংদা থোরকখিবা অজেনকয়া রহনেসু শুপ্নগী রন ৩ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী রন ২২ খক লৌরি। মহাক্কী মতুংদা থোরকপা অম্বটি রয়ুদুনা রোহিট শর্ম্মগা লোয়ননা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী রন মশীং য়াম্নবা হোৎনখি।

অম্বটিসু ২৫.৩ দা তুখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ৱিকেট অহুম তুবা মতমদা রন ১০১ লৌখি। অম্বটি তুখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী স্কিপর অমদি ৱিকেট কিপ্পরসু ওইরিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি থোরক্কুনা রোহিট শর্ম্মগা পার্থনর ওইনা শান্নখি। ৩২.৩ শুবা ওভরদা রোহিট শর্ম্ম আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী স্কোর অসি ১৪২ লৌখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই রোহিট শর্ম্মনা রন ৭৯ লৌরমখি মহাক আউট ওইখ্রবা মতুংদা রবিচন্দ্র অস্বনি থোরক্কুনা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিগা পার্থনর ওইনা শান্নখি। মহাক য়াম্না থুনা আউট ওইখি। ওভর ৩৩.১ দা মহাক আউট ওইখি। মহাক্না শুপ্নগী রন ৫ খক লৌরম্মী।

ৱিকেট ৫ তুবা মতমদা ইন্দিয়াগী রন অসি ১৫১ খক্তমক লৌরি। মতুংদা রবিন্দ্র জাদেজা থোরক্কুনা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিগা পার্থনর ওইদুনা শান্নখি। মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা রন ৭৯ অমসুং রবিন্দ্র জাদেজানা রন ৬২ লৌখি। ধোনিনা বোল ৭৩ দা রন ৭৯ গী মনুংদা ৬ অহুম অমদি ৪ তরুক য়াওখি অদুগা রবিন্দ্র জাদেজানা বোল ৫৪ দা রন ৬২ গী মনুংদা ৪ নিপাল, ৬ অনী য়াওনা মহাক্কী রন অসি শেমখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ওপনর ওইখিবা রোহিট শর্ম্মসু বোল ৯৪ দা রন ৭৯ লৌখি। মহাক্না ৪ তরুক, ৬ মরি লৌরমখি। ইন্দিয়াগী ইনিংস অদুদা এক্সট্রা ১১ ফংখি। ৱাইট ৭, নো বোল ৪ নি। ইনিংস অসিদা ন্যু জিলেণ্ডগী মায়কৈদা টিম সাউথনা ৱিকেট ২ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না ৱিকেট লৌবা শান্নরোই ওইবা ঙমখি। মহাক্না ওভর ১০ দা মেদল ওভর ১ য়াওনা রন ৩৬ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখিবনি।

অনীশুবা ইনিংসতা ন্যু জিলেণ্ডনা ইন্দিয়াদা থনম্লিবা রন ২৭৮ অসি মায় পাক্লবা রন ২৭৯ লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু হোম টিম অসিনা রন ওভর ৪৮.১ দা রন ২৮০ লৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি।

ন্যু জিলেণ্ড টিমগী ওপনর ওইনা মার্টিন গুপটেল অমদি জেসি রাইদরনা শান্নবা হৌরকখি। জেসি রাইদরনা রন ১৯ খক লৌরম্লগা ওভর ৭.২ দা আউট ওইখি। মতম অসিদা হোষ্ট টিম অসিনা শুপ্নগী রন ৫৪ লৌবদা ঙাইরি। অনীশুবা ৱিকেট অদুসু থংনবা ওভরদা তুখি। ওভর ৮.১ দা মার্টিন তুখি। মহাক্না রন ৩৫ লৌরমখি। মহাক সামি অহমদকি বোলদা এল বি দব্লিউ তাবদগী আউট ওইখিবনি।

কেনি ৱিল্লিমসন্না রন ৬০ লৌরবা মতুংদা আউট ওইখি। মহাক্না আউট ওইবা মতম অসিদা ৩৪.২ নি। মহাক্না ন্যু জিলেণ্ড টিমগী অরোইবা ৱিকেট তুবা ওইখি। মতম অসিদা হোম টিম অসিনা রন ১৮৮ লৌখি।রোস টায়লরনা রন ১১২ লৌবগা লোয়ননা ব্রেন্দোন মেক কুলমসু রন ৪৯ লৌখি। ইনিংস অসিদা টিম অসিনা এক্সট্র ৫ খক ফংখি। বাই ১, ৱাইট ৩ অমদি লেক বাই ১ নি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ঙসিগী ইনিং অদুদা ৱিকেট লৌখিবা বোল্লর অসি সামি অহমদ অমদি বরুন আরোননি। ৪ শুবা ও দি আই অসি ন্যু জিলেণ্ডনা ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখিবগা লোয়ননা সেরিজ অসি মখোয়না লৌখ্রে।

## জিরি কপঃ কে আই ৱাই সিনা জিরিবাম্বু মায়থীবা পীখ্রে




*জিরিবাম, জনুৱারি ২৮ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন জিরিবাম্বনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ রক শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব (কে আই ৱাই সি) না লুঙ্গেজাং য়ুথ ক্লব (এল ৱাই সি) জিরিবাম্বু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।


টিম অনীম্না মাগী মাগী টিম মায় পাক্লবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। অদুবু অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরবা মতুংদা মেটচকি ৫৮ শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সিগী অকবর খাননা কাওরকপা বোল অদু এম দি অসিবনা হেন্দিং তৌশিন্দুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। এল ৱাই সিনা বোল অমুক হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মখোয়সু গোল হন্দোকপা য়াবা কয়া অমা ফংলবসু গোল চনবদি ঙমখিদে।

মেটচ অদুগী ৭৩ শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সিগী কে অজমির শাহনা গোল ১ গা অমুক চনশিন্দুনা ২–০ দা লৈখি। এল ৱাই সি জিরিনা গোল ১ হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈদা কে আই ৱাই সিনা গোল ১ গা অমুক চনশিন্দুনা ২–০ দা লৈখিবা অসিদগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা অপীবা মতম লোইখিদুনা এল ৱাই সি জিরিবাম মায়থীখি।

মেটচ অদুগী ৪৩ শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সিগী টি ঐচ রবিচন্দ্রবু রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচকি ৮০ শুবা মিনিটতসু টিম অসিমক্কী শান্নরোই এম রোমি মৈতৈবু রেফরিনা সেরিয়স ফোল্ট তৌবগীদমক মহাকপুসু য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচকি ৮৭ শুবা মিনিটতনা এল ৱাই সি জিরিবামগী লনশিন মৈদা ফোল্ট তৌবগীদমক য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা সঙ্কর ভক্তাচর্জনা রেফরি এন নবা অমদি অজিস হায়দর অনীনা এ আর ১ অমদি এ আর ২ ওইদুনা অদুগা কে ঐচ নিলকমননা ফোর্থ ওফিসিএল ওইদুনা কন্দক তৌখি। হয়েং ৩ শুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এল এন পি এস সি মিজোরামগা ২৭ শুবা এ আরকা হয়েং শান্নগনি।

## টামিল নাদুদা চৎকদবা ভোল্লিবোলগী নুপামচা ১দি নুপীমচা শান্নরোইশিং খনখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৮ঃ*

টামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা জৱাহলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা মথং থাগী ৭ তগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৩৬ শুবা সব জুনিয়র নেসনেল বোল্লিবোল চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপামচা অমদি নুপীমচা টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

খল্লবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি এন ৱাই ভি এদগী এন বুদ্ধচন্দ্র সিংহ, কে রবি সিংহ, এম মণিতোম্বা সিংহ, ও পি এস খুমন, আই জি ওদগী সি ঐচ টাজখান, এল সুনিল সিংহ, ঐচ বিনোদ সিংহ অমদি এম দেদান্টা সিংহ, ৱাই দি সিদগী কে ৱাংলেন সিংহ অমদি ৱাই রোনালদো সিংহ, এস য়ু দব্লিউ সিদগী টি ঐচ দেবেন্দ্র মৈতৈ অমদি কে ৱাই ভি এদগী এল বিশ্বজিৎ সিংহনি। খল্লবা শান্নরোই ১২ অসিগী মথক্তা রিজার্ব ওইনা এস ৱাই বি এদগী এস সুরেস সিংহ অদুগা পি ই দি দব্লিউ এদগী কে ওপেন্দ্রজিৎ সিংহ থল্লি।

নুপীমচাগী খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি টি এ কে এলদগী ভি এস রিংয়াও, এস সেমিৱেন, আর লৈশিনাও অমদি এল এ প্রেমিলা, এল ৱাই সিদগী এস কে এলিনা অমদি দি দাইনা লমকাং, এস ৱাই দি এদগী টি ঐচ রোনিমালা চনু, কে ৱাই এস য়ুদগী টি ঐচ ভেলিয়া দেবী অমদি কে ঐচ বিনা দেবীনি।

টিম মেনেজর ওইনা টি ঐচ রোমিও সিংহ অদুগা নুপাগী কোচ ওইনা টি ঐচ ব্রজকেশ্বর সিংহ নুপীগী কোচ ওইনা এল মোধুবালা দেবী খনখ্রে। টিম অসি চেন্নাইগীদমক্তা মথং থংগী ২ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসি–য়েসনগী ওনররি সেক্রেটরি এন জি ইনাওচাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## জেক্সনগী থেঙনা চনবা গোলনা রাঞ্চি রাইনো মায় পাকখ্রে

*রাঞ্চি, জনুৱারি ২৮ঃ*

মমাঙ চহীগী ৱিন্নর ওইখিবা রাঞ্চি রাইনো অহানবা মেটচতা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্টকি মখুত্তা গোল ৩–২ দা মায়থীরবা মতুংদা ঙসি মমাঙ চহীদা টিম অসিগা ফাইনেল শান্নখিবা দিল্লী ৱেফ রাইদরবু মায়থীবা পীবা ঙম্বগা লোয়ননা চথরিবা হেরো হোকি ইন্দিয়ন লীগ অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

টিম অনী অসি মমাঙ চহীগী ফাইনেলদা শান্নখিবা মতুংদা হন্দক চহীগী ওইনা ঙসি থেংনরিবা অসিনি। টিম অনীনা গোল চন্নবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। মেটচকি ১৭ শুবা মিনিটতা দিল্লী ৱেফ রাইদরনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অমা ফংখি। দিল্লীনা ফংলিবা পেনালটি কোর্নর অমদা দিল্লীগী রুপিন্দ্র পাল সিংহনা এটেম তৌরকখিবা গোল ওইবা য়াবা বোল অদু রাঞ্চি রাইনোগী গোল কিপ্পর ফ্রান্সিকো কোর্টেসনা সেফট তৌখিদুনা গোল ওইহনবা ঙমখিদে।

দিল্লী ৱেফ রাইদরনা রাঞ্চি রাইনোগী মায়োক্তা হন্না হন্না গোল চনবা য়াবা তাঙ্গা কয়া ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মিনিট খরগী মতুংদা দিল্লীগী অকসদিপ সিংহ অমদি টালৱিন্টর সিংহ অনীনা গোল ওন্থোকপা য়াবা পেনালটি কোর্নর কয়া ফংখি অদুবু বোল অদু নীংথিনা ইল্লক্তবনা মরম ওইদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনখি অদুবু গোল ওন্থোক্লবগী তাঙ্গাদি অমত্তা লৈখিদে। মেটচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা হোৎনখি। দিল্লীদা য়াওরিবা ন্যুজিলেণ্ডগী শান্নরোই সিমোন চাইল্ডনা পীরকপা বোল কয়া অক্সদিপনা নীংথিনা য়ৈশিনবা ঙমদবদগী গোল ওন্থোকপা য়াবা কয়া অরেম্বদা মাঙখি।

মেটচ অদুগী লোইগদবা শুপ্নগী মিনিট অমতা ঙাইরবা মতমদা রাঞ্চি রাইনোনা দিল্লীগী মায়োক্তা পেনালটি কোনর অমা ফংখি। ফংলিবা পেনালটি কোনর অদুদা রাঞ্চি রাইনোদা য়াওরিবা জেক্সনমা গোল ওন্থোকখি। মহাক্না য়ৈরকপা বোল অদু দিল্লীগী গোল কিপ্পর হমিস মেকগ্রেগরনা ঙাকপা ঙমহৌদবদগী গোল ওইদুনা দিল্লী ৱেফ রাইদরবু ১–০ দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অসি মায় পাকপগা লোয়ননা রাঞ্চি রাইনোনা পোইন্ট ৫ ফংখ্রে অদুগা দিল্লীনা শুপ্নগী পোইন্ট ১ খক ফংলি।



## ফেদররনা ৱারিংকাদা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙখ্রে

*স্বিজ, জনুৱারি ২৮ঃ*

তরাতরেৎলক গ্রান্সলাম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রোজর ফেদররনা হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অদুদা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা রাফেল নদালবু মায়থীবা পীরমদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা মহাক্কী লমগী শান্নরোই অমা ওইরিবা ষ্টানিলাস ৱারিংকাদা ফোনগী মতেঙনা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মসিনা রোজর ফেদররনা অহানবা ওইনা অতোপ্পা শান্নরোই অমদা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙবনি। মহাক্না হায়, ফাইনেল মেটচ অদুদা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা নদালবু ৬–৩, ৬–২, ৩–৬ অমদি ৬–৩ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ষ্টানিলাস হৌজিক হৌজিক স্বিজকি ওইনা টেনিসতা নম্বর ১ ওইখ্রে অদুগা গ্রান্সলাম ১৭ লক লৌখ্রবা রোজর ফেদররনা লৈবাক অসিগী অনীশুবা রেঙ্কিংদা লৈখ্রে।



## মুতুম বনকিমদা সিক্স দান পীরকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৮ঃ*

মণিপুর এমেচর কারাটি দো এসোসিয়েসনগী মীহুৎ অমা ওইরিবা সেনসাই মুতুম বনকিম সিংহদা ৱার্ল্ড কারাটি ফেদরেসনগী মখাদা কারাটি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা দিল্লীদা পাঙথোকখিবা সেনিরয়ন নেসনেল কারাটি চেম্পিয়নসিপতা কংলৈ সিটোরিয়ু কারাটি দো ইন্দিয়াগী চীফ ওইরিবা সেনসাই অসিবু ৬ শুবা দান পীরকখ্রে। মহাক নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদগী ইহান হান্না দান ৬ ফংবা মীওই অমসু ওইরি।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

Form available from 7th November 2013

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | (87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726


## ট্রায়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৮ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হাওরা মনুংদা লৈবা বাল্লি পুলিস ষ্টেসনগা নক্লনা লৈবা রবিন্দ্র ভবন বল্লিদা মথং থাগী ১১ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা জুনিয়নর মেন্স এন্দ ৱিমেন্স, ২০ শুবা সেনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনেল ষ্ট্রেংথ লিফটিং অমদি ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নসিপ, ৪ শুবা সেনিয়র হেন্দিকেপ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনেল ইনক্লাইন চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা শান্নরোইশিং খন্নবগী ট্রায়েল সেলেক্সন অমা মথং থাগী ২ নোংমাইজিং নুমিৎকি অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী বোদি বিল্ডিং ট্রেনিং সেন্তরদা পাঙথোক্কনি।

ট্রায়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা চপ চানা লাক্লবা এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি কে ঐচ নিংথেমগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। অকুপ্পা মরোলসু এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।